চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ সনালৈবাক


www.sanaleibak.in

LAST DAY 27TH FEB.
LED 40HH = ₹ 28500/-
3 YRS WARRANTY
190LT SAMSUNG REFRI:
24"LED FULL HD
7.2KG W/MACHINE
₹ 30500/-
190LT SAMSUNG REFRI:
32"LED VIDEOCON
7.2KG W/MACHINE
₹ 36999/-
TATA SKY FREE
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR
SARAJEEVAN ENTERPRISES, PAONA BAZAR
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTINENTAL

LED 40HH = ₹ 28500/-
LED 32"(1 YRS) = ₹ 18000
3 YRS WARRANTY
20"LED TV = ₹ 8999
22"FULL HD TV = ₹ 11000
24"FULL HD TV = ₹ 12300
32"LED 3 YRS = ₹ 18500
WASHING MACHINE SPL DISCOUNT
6KG ₹ 8200 = ₹ 7500
7.2KG ₹ 9990 = ₹ 8500
7.3KG ₹ 11690 = ₹ 9500
7.5KG ₹ 11990 = ₹ 10200
150LT REFRIG: = ₹ 8500
170LT REFRIG: = ₹ 10000
190LT REFRIG: = ₹ 10500
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.



উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকায়দা মণিপুরী অমসুং অসামিস ফোল্ক ম্যুজিক্কী ফ্যুজন পার্ফোমেন্স উৎপা



পার্লিয়ামেন্টকী বজেট সেসন মাঙওইননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মেদিয়াদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা

ঙসিগী অঙৈং–অশাং : শাবগী চাং ঃ ২২° সি, ঈংবগী চাং ঃ ৩° সি | নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ঃ ৫২ | নোংজুগী চাং : ০ এম এম | IMPHAL, WEDNESDAY, 24 FEBRUARY 2016 যুমশকৈশা, ফাইরেনগী ১৭ নি পানবা | e-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com RNI Regd. No. 31350/77 | Volumn No: 42 Issue: 93 Page : 8 | Price: 3.00

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

মালেমসিদা মী মখল অনীখক লৈ, লৌশিনবা কাঙবু পীথোকপা কাঙবু। লৌশিনবা কাঙবুনা ফজনা চাই অদুগা পীথোকপা কাঙবুনা নীংথিনা তুম্বা ফংই

## অহানবা কাখল

### যুম অমা তুম্না চাকখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ২৩ঃ ঙসি অয়ুক পুং ১০.১০ রোম তাবদা ইম্ফাল পাওনা বজারদা লৈবা ভারাগী কা অমা ইলেক্ট্রিতগী হৌরকপা মৈনা তুম্না চাকখ্রে।

মৈ চাকখ্রবা ভারাগী কা অদু অসামদগী প্রাদিপ দাস কৌবা মীওই অমগী ইমুং মনুংগা পুন্না লৈবনি। মথোল ৪ ৱাংবা এসএসআই বিল্ডিং অদু ভারা ঙাক্তা শানবনি হায়রি।

মৈ চাকপগী থৌদোক অদু হেক থোকপদা মণিপুর ফায়র সার্ভিসকী ফায়র টেন্দর অহুম লাক্কুনা মৈ কনবগী থবক চথখিবনা অতোপ্পা কাশিং মৈনা ৱাইরমগদবদগী কনবা ঙমহৌরে হায়রি।

মৈ চাকখ্রবা ভারাগী কা অদুদা লৈবা প্রদিপ দাসনা ফোঙদোরকখিবদা ঙসিগী লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা চাওরাক্লা লুপা লাক্ষ অহুম্লোমগী মাল চাং অমাঙ–অতা থোকখ্রে হায়রি।

### অশিবা হকচাং আইএমসিদা শিন্নখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ২৩ঃ থা অসিগী ১৬ কী নুংথিল পুং ১ তাবদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মাও পুলিস ষ্টেসনদগী খা নোংচুপ্তা কিলোমিটর ৩৪ রোম চৎলগা লৈবা শাংখুমাই ভিলেজগী জঙ্গলদগী ফংখিবা অশিবা নুপা অমগী শরু পোল্লাং অদু ঙসি ফাওবা মীওই অমত্তনা ক্লেম তৌরক্তবদগী রিমসকী মোর্গতা পিএম তৌরবা মতুং মেজিষ্ট্রেটকী অয়াবা লৌরবা মতুং আইএমসিদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

### তারিক ওন্নখ্রে

ঙরাং ফেব্রুৱারি ২৩ গী সনালৈবাক চেফোঙদা য়াওরিবা এনএসএফনা গারী থিংবগী খোঙজং গা মরী লৈনবা পাউ অদুদা ফেব্রুৱারী ২৭ তগী মৈতৈনা মপু ওইবা গারীশিং নাগা তাবা লমশিংদা চঙবা অথিংবা থম্লে হায়বদু ফেব্রুৱারী ২৪ দগী হায়গদবনি। শোয়খিবা অদুগীদমক্তা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

প্রুফ রিদর

গ্যাসকী পাউ লমায় ৫ দা

## লোইরেদনা




## হেক্তা হায়জিনবা

- মি লোর্দ
- এনিথিং, করি হায়নিংই
- ঐ কেসকী জবান পীনিংই জজ সাহেবকী মমাঙদা।
- নো নো, নঙনা পীগদবা জবানদু ঐ খঙলে। মদু ঐগী ইমাঙদা পীবা য়ারোই। ঐ ছুতি লৌনি।
- করিগীনো ঐগী জবান লৌ–নিংদ্রিববো।
- ঐসু সরকারগী কর্ম্মচারিনিনে, নঙগী মী মাঙবা জবানদু ঐ ফগদবা মান্দে
- করিগীনো মি লোদ
- মদুদি নঙনা হেন্না খঙলিদুদি ঐগী চীনসিনা হায়নিংদে
- মি লোর্দ লীলাগী জজনা হেন্না শক্তি লৈবা মাল্লেদা
- হায় নঙ জেল পীয়ুরা
- কনখৎলক্লেহে।

# দিমান্দ ৩৫গী লুপা ক্রোর ৯৪৬.১৫গী সপ্লিমেন্টরি দিমান্দ পাস তৌখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ২৩ঃ ঙসি মণিপুর বিধান সভানা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ ৩৫গী অপুনবা শেনফম লুপা ক্রোর ৯৪৬.১৫গী সপ্লিমেন্টরি দিমান্দশিং পাস তৌখ্রে।

হৌজিক চথরিবা ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ১৩শুবা সেসন অসিগী অহৌবা নুমিত্তা ফাইনান্স মিনিষ্টরগী থৌশু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা হাউসতা সপ্লিমেন্টরি দিমান্দ অসি পুথোকখিবনি।

ঙসি পাস তৌখ্রবা সপ্লিমেন্টরি দিমান্দশিং অদুদি ষ্টেট লেজিসলেচরগী লুপা৩,০৪,৭০,০০০, কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর্সকী লুপা ১১,৭৭,০০০, ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী লুপা ৪৫,১৩,৯৩,০০০, ত্রান্সপোর্টকী লুপা ৩,০৪,৭৩,০০০, পুলিসকী লুপা ৬৫,৭৯,২৭,০০০, পি দব্লিউ দিগী লুপা ১৪৮,২০,৪১,০০০, এদুকেসনগী লুপা ১১৫,৮৬,৩১,০০০, মেদিকেল হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ারগী লুপা ৪১,৫১,৩৮,০০০, মাহুদগী লুপা ১৯,৭৬,৪২,০০০, লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্টকী লুপা ১,৮৩,৫৯,০০০, টি এ, হিলস এন্দ এস সি দিবলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী লুপা ৯,৬৫,৭৮,০০০, এগ্রিকলচরগী লুপা ৩০,৬৬,১৮,০০০, কম্যুনিতি এন্দ রুরেল দিবলপমেন্টকী লুপা ৪৪,৯০,৩১,০০০, পৱারগী লুপা ১৮২,৮৬,৯৩,০০০, ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্টকী লুপা ৫৯,০০০, য়ুঠ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টকী লুপা ২,৮৭,০৩,০০০, এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ জষ্টিসকী লুপা ১০,০০,০০,০০০, ইলেক্সনগী লুপা ২,০৯,৭৮,০০০, ষ্টেট এক্সাইজগী লুপা ৭৯,৫৯,০০০, সেল তেক্স, অদর তেক্স,দ্যুটিজ ওন কোমোদিতিজ সর্ভিসগী লুপা ৬২,৪৭,০০০, জেলগী লুপা৫০,২৮,০০০, হোম গার্দকী লুপা ৮,১২,২৫,০০০, রিহেবিলিতেসনগী লুপা ৬,১১,৮৫,০০০, মাইনর ইরিগেসনগী লুপা ২,৬৭,৬৩,০০০, ফিসরিজগী লুপা ২,৩৩,০০,০০০, সেরিকলচরগী লুপা ৪,১০,১৬,০০০, আই এফ সি দিগী লুপা ২২,৫২,৯৮,০০০, আর্ট এন্দ কলচরগী লুপা ৭,৬৬,২৭,০০০, ষ্টেট একাদমী ওফ ট্রেনিংগী লুপা ৬৮,৩৭,০০০, সোসিয়েল ৱেলফেয়ারগী লুপা ৮২,০২,০৮,০০০, টুরিজমগী লুপা ৩৩,১৪,২৫,০০০, সাইন্স এন্দ তেক্নোলোজিগী লুপা ৭৫,৯৯,০০০, এম ও বি সিগী লুপা ৩৭,০৭,৩৩,০০০, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী লুপা ৪,৫২,১৬,০০০ অমসুং ইনফোর্মেসন তেক্নোলোজিগী লুপা ২,৬৫,৯৮,০০০নি।

## ৱার্ক ওর্দর পীদনা থবক শুহনবগী জয়কিষন্না তকখৎখ্রে

# সিএমগী ৱারোল পীদবদগী ৱাল্ক আউট তৌখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ২৩ঃ মণিপুর গভর্নমেন্টকী পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা নেসনেল হায়ৱে–২গী শিংজমৈদগী এম য়ু গেট ফাওবা অমসুং মন্ত্রিপুখ্রিগী হায়কোর্ট অমসুং সিভিল সেক্রেটরিয়েটকী মমাংগী শরুক্তা লম্বী পাকথোকপগী মতাংদা পি দব্লিউ দিনা সি পি দব্লিউ দিগী চৎন কাঙলোন থুগায়রগা ৱার্ক ওর্দর য়াওদনা থবক শুহল্লিবা অসি মতৌ করম্না গভর্নমেন্ট অয়াবা পীরিবনো হায়না এম এল এ কে ঐচ জয়কিষনন্না হাউসতা তকখৎখ্রে। মহাক্কী ৱাফম অদু শেঙদোক্তবদি দিমান্দ পাস তৌবিগনু হায়বগা লোয়ননা স্পিকরনা ভোট তৌনরগা পাস তৌনবা ফিরেপ লৌরকপদা মহাক্তি দিমান্দ অদু পাস তৌবদা য়াওরোই হায়দুনা হাউসতগী মপান থোকখ্রে। তুংদা এম এল এ জয়কিষনগী ফিরেপ অদুবু শৌগৎলদুনা এম এল এ টি ঐচ বিশ্বজিৎসু হাউসতগী মপান থোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১৯দা হাউসতা পুথোকখিবা সপ্লিমেন্টরি দিমান্দ ফোর গ্রান্টস, ২০১৫–১৬ খন্নবা অমসুং দিমান্দশিং খন্নরকপদা দিমান্দ নম্বর ৮–পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টতা ইকনমিক কট মোসন পুখৎলদুনা হায়, নেসনেল হায়ৱেশিং শেমগৎপগী থবক্তা ষ্টেট ফন্দদগী হোৎচিল্লগা শেল থাদবা অসি তৌফম থোক্তে।

সপ্লিমেন্টরি দিমান্দ অসিগী প্লানিং দিপার্টমেন্টনা থোকপা লিষ্টতা রোদ এন্দ ব্রিজগী কাঙলুপতা নেসনেল হায়ৱেদা দিষ্ট্রিক্ট অমা অনীখক্তদা মীৎয়েং থম্বা থেংনৈ।

ষ্টেটকী শেল থুমগী ফিভম ফত্রে হায়রগা নেসনেল হায়ৱেদা হোৎচিল্লগা শেল থাদবা অসি অর্থ থোক্তে। মসি তৌদবা ফগনি। নেসনেল হায়ৱেদা শেল থাদবা লানবগী ৱাফমদা নত্তনা হায়রিবা থবক অসি সোসিয়েল ৱার্কর অমনা শুদোকখ্রে। মসিগী ফোটো লৈ। থবক শুখ্রবনিনা করিগী শেল থাদগদৌরিবনো। মসি পি দব্লিউ দি খঙনা তৌরিব্রা হায়বসিনি। দিপার্টমেন্ট অসিগী থবক খুদিংমক অসি সি পি দব্লিউ দি মেন্যুএলগী পরম ঙাক্লা চৎকদবনি হায়না অন্দর সেক্রেটরি ৱার্ক্সনা ইং ২০০৮গী ওক্টোবর ২৪ দা থোকখিবা ওর্দর লৈবনা দিপার্টমেন্টনদি মসি তৌরমগদবসু মান্দে।

সি পি দব্লিউ দিগী মেন্যুএল সেক্সন টু দা ময়েক শেঙনা পল্লি, থবক পায়খৎপা মতমদা এদমিনিষ্ট্রেটিব এপ্রুভেল লৌগদবনি, এক্সপেন্দিচর সেঙ্কসন তৌগদবনি, তেক্নিকেল সেঙ্কসন তৌগদবনি, ফন্দ হান্না লৈগদবনি। মদু নত্রবদি থবক তৌগনু হয়না ইরি। হৌজিক শিংজমৈদগী এম য়ু গেট ফাওবা অমসুং হায়কোর্ট অমসুং সিভিল সেক্রেটরিয়েট মমাংগী লম্বীগী শরুক অসিদি ইমর্জেন্সি ৱার্ককী মনুং চনবসু নত্তে।

থবক অসি মতৌ করম্না শুহনবনো, সি পি দব্লিউ দিগী রুল থুগায়রগা শুবা অসি য়াব্রা, সেঙ্কসন লৈতনা করম তৌরগা এদমিনিষ্ট্রেটিব এপ্রুভেলসু ফংদ্রিবা, এক্সপেন্দিচর সেঙ্কসনসু তৌদ্রিবা, তেক্নিকেল সেঙ্কসনসু তৌদ্রিবা, ৱার্ক ওর্দরসু পীদনা থবক অমা শুহনবা অসি পি দব্লিউ দিনা য়াব্রা হংখি।

অরানবা থবক অমা তৌবা মতমদা মদু হাউসতা লৈরিবা মেম্বর ময়ামগী দায়ত্ব চাউরিবনি। অরানবা থবক তৌরোইশি হায়বনি। গভর্নমেন্টনা দরকার লৈবদা শেল থাদবদা য়েৎলোই। অদুবু অরানবা থবক তৌবদি দেমোক্রেটিক রাইট শোকপনি। থবক অসিদা শেল থাদবা মরম চাদে হায়খি।

... মখা লমায় ৫দা

# কলেজশিংগী অৱাৎপা দিমান্দ ১১ য়াওবা চেরোল গভর্নমেন্টদা পীশিনখ্রে ঃ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন

এসএনএস

ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ২৩ঃ মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা লৈরিবা কলেজ শিংদা মতম কয়াদগী ৱাত্তুনা লাক্লিবা অৱাৎপশিংসি মেনখৎপীনবা দিমান্দ ১১ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা মণিপুর সরকারদা পীশিনখ্রে হায়না কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওফ কলেজ ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (কোকোসুম) গী কনভেনর নিলাকান্ত লোংজমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল জিপি ৱিমেনস কলেজকী ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়নগী কাদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা নিলাকান্তনা হায়, কলেজশিংগী অৱাৎ–অপা মেনশিনবীনবা য়ুনিয়ন অসিনা ইং ২০১০ দগী দিমান্দ কয়া তৌদুনা লাক্লি। দিমান্দশিং অদুগী মনুংদা সরকারনা থবক ওইনা পাঙথোকপীরকপসু য়াওখ্রে।

অদুবু হৌজিক হৌজিকসু কলেজশিংদা অৱাৎপনা পীক থল্লি। মরমসিনা কলেজ ময়ামগী অপূনবা ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন অসিনা দিমান্দ ১১ য়াওবা অইবা চেরোল অমসু গভর্নমেন্টদা পীশিনখ্রে হায়রি।

পীশিনখিবা দিমান্দশিং অদুদি কলেজ খুদিংমক্তা রিগুল্লর প্রিন্সিপাল লৈহনবা, ৱাত্তুনা লৈরিবা নন টিচিং অমসুং টিচিং ষ্টাফ অথুবদা হাপ্পীয়ু, কলেজশিংদা পুং ২৪ মৈ ফংহনবা, টোইলেট ফেসিলিটি ফগৎহনবা, কলেজকী অকোয়বগী ফেন্সিং তৌবা, মতমগা চুন্নবা লাইব্রেরি ওইহনবা, দিজিটেল লাইব্রেরিগী ফেসিলিটি লৈহনবা, ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা ফংহনবা, অৱাৎপা লাইব্রেরিয়ান হাপ্পা, কলেজশিংদা অফবা থক্লবা ঈশিং ফংহনবা, মতমগা চুনবা প্রাক্টিকেল ইক্বিপমেন্ট থম্বা, এদেদ কলেজশিংগী এপ্রুভ তৌরবা ওজা মশীং হেনগৎপা, হন্দক হাখিবা য়ুহার হাবা অদুনা অমাঙ–অতা থোকহনখ্রবা কলেজশিং অমুক হন্না শেমজিনহনবা, লোয়ননা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চানা থমহনবা অমদি গভর্নমেন্ট অসিনা ফেব্রুৱারীদা থোকখিবা ওজা ট্রান্সফর তৌবগী নোটিস অদুনা মরম ওইদুনা কলেজশিংদা চরাংনবা থোকহন্দুনা একাদেমিক এটমোস্ফিার লৈহনদে। ওজা ৱাত্তুনা লৈরিবা কলেজ কয়াদগী ট্রান্সফর তৌবগী থৌওংনা ওজা অমদি মহৈরোইশিংগী মরক্তা ৱাখল চরাংনবা মচাক ওইহল্লে। ওজা ট্রান্সফর তৌবগী থৌওং অসি গভর্নমেন্টনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীনবা ৱাফমসু পনখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, জিপি ৱিমেনস কলেজতগী ওজা ১২, দিএম সাইন্সতগী ওজা ১৫, দিএম আর্টসতগী ১২, দিএম কর্ম্মসতগী অমা অদুগা এল সানোই কলেজগী ওজা ৪ লোয়ননা কলেজশিংদগী ওজা কয়া ট্রান্সফর তৌখিবনি হায়রি।

# ওপরেসন চথখ্রে, মতৈ মনাও অনী গ্রেনেদকা কোন্ননা ফারে

এসএনএস

ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ২৩ঃ ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী কাঙবুনা দ্যুলালেন্দগী অকোয়বা মফমদা ওপরেসন চথখ্রে।

অয়ুক পুং ৪.৩০ রোম তাবদা মশীং য়াম্লবা পুলিস পার্সনেলশিংনা কোয়শিন্দুনা থম্লবা মতুংদা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা নুপা মখৈ কৌথোক্লবা মতুং পরেং শাংনা লেপহন্দুনা অমমমতা ওইনা ভেরিফিকেসন চথখি। মদুদা মশাগী শক্তাকচে য়াওরমদবা মীওই তরেৎ মখা তানা ভেরিফিকেসন চথনবা পুলিস ষ্টেসনদা পুখৎখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী কাঙবুনসু লম্ফেল সনাকৈথেলদগী প্রিপাক (প্রো) গী মতৈ মনাও কাদর অনী ফারে।

ফারবা মতৈ মনাও অনী অদু তামেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তৌসেম খুলেনদগী হাইজুৱাং ন্যুমি (৪৭) অপোকপা এন চাহেরুং ন্যুমি অমদি মহাক্কী নুপী লালাম হাওকিপ (৩৮) কৌই হায়রি।

মখোয় অনীদগী চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অনী, মোবাইল হেন্দ সেট অনীসু ফংলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী কাঙবুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হাট্টা মিনুথোংদা ওপরেসন চথবদা য়ুএনএলএফকী লেপ্ঞ কোর্পোরেল অমা ফারে হায়রি।

ফারবা মীওই অদুগী মমিং থোকচোম ব্রিনিদ মীতৈ এলাইজ লৈরেন এলাইজ অথৌবা (৩৩) অপোকপা লোকেন কৌই। কোংবা নান্দেবম লৈকায়দগীনি হায়রি।

... মখা লমায় ৫দা

# শেন্মীৎলোন ফগৎহনগদবা বজেট নত্তে ঃ ইবোহলবি

এসএনএস

ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ২৩ঃ মণিপুর বিধান সভাদা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১৯দা চিফ মিনিষ্টরনা পুথোকখিবা বজেট অদু লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনগদবা বজেট নত্তে, মসি মনিং হল্লগা চৎপা বজেটনি হায়না এম এল এ ডা. আই ইবোহলবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা বেজেট এষ্টিমেট ২০১৬–১৭ খন্নবদা এম এল এ ডা. আই ইবোহলবীনা হায়, মমাংগী শেনবা চহী ২০১৫–১৬তা পাস তৌখিবা বজেটকী শেনফম অসি লুপা ক্রোর ৯৭২৮.৬১নি। হন্দক লুপা ক্রোর ১০২৯৩.০৩দা হেনগৎলে।

শেনবা চহী ২০১৬–১৭কী ইষ্টিমেটেদ বজেট অসি লুপা ক্রোর ১০৫১৮.০৫নি। হান্নগী বজেট ইষ্টিমেটতগী হন্দক চহীগী বজেট ইষ্টিমেটকা য়েংনবদা গ্রোঠ অসি চাদ ৮ লৈ। অদুগা মমাংগী রিভাইসকা হন্দক্কী রিভাইসকা য়েংনবদা গ্রোঠ অসি চাদ ২ খক লৈ।

ইন্দিয়াগী ওইনা ইনফ্লেসন রেট চাদ ৬ লৈরে হায়না লৌগনি। মসি লৌবা মতমদা মণিপুরদদি ইনফ্লেসন রেট অসি কা অনীগী মশীং লাক্কনি। এফ আর বি এমগী এক্ট অমা ঙাক্লা চৎনবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা খঙহল্লকপা অসিগী য়েংলগা ফিসকেল দিফিসিট অসি চাদ ৩.৬তা থল্লি অদুগা গ্রোঠনা চাদ ৬.৯দা থল্লি হায়বসি বজেট অসিনা তাক্লি। অদুবু বজেট অসি পার্ফোমেন্স বজেট ওইনা উবা এচিভমেন্ট বজেট ওইনা উদে।

গভর্নমেন্টকী এচিভমেন্টশিং উবা ফংদে। মরম অসিনা অশেংবা তার্মদা য়েংবদা বজেট অসি মনিং হল্লবা বজেট ওইরে। মাঙলোমদা চংশিন্দে। মসি কঞ্জুমর দিভন বজেটনি, প্রদক্টিব দ্রিভন বজেট নত্তে হায়বা তাক্লে। বজেট অসি ইকোনোমি ফগৎহন্নবা বজেট নত্তে।

হান্না ষ্টেটনা সেন্টরদগী এক্সপেক্ট তৌরম্বা শেনফম পীরক্তবা অমসুং স্পিসিয়েল কেটেগোরি ষ্টেট লৌথোকখিবসিনা ষ্টেট অসিগী দিবলপমেন্টকী রিসোর্ছ অদু হন্থরকই। মসিনা ষ্টেট আওন রিসোর্ছ অসি হন্থরক্লে।

ষ্টেট অসিদা থাদরক্লিবা শেনফমশিং অসি এসেট ক্রিয়েসন তৌদে। মসিনা রিসোর্ছ হন্থরকপনি।মরম অসিনা ষ্টেট অসিনা ফিসকেল মেনেজমেন্টতা অচৌবা শিংনবা অমা মায়োক্লরি।

মরম কয়ানা লৈরিবা শেনফম অসি পীকথরকপা অসিনা মরম ওইরগা ইং ২০০০দগী ২০০৪ ফাওবগী মরক্তা থেংনখিবা শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লখিবা অদু থেংনরকপা য়াবগী ফিভম লাকপা অসি হাউস অসিদা হ্বাইট পেপর অমা পুথোকপা মতম ওইরে।

খন্নবা অদুগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা হায়, ষ্টেটকী জি এস দি পি অসি মমাংগী চহীদগী হন্থরকই হায়বসি য়াই। রেভিন্যু মোবিলাইজেসন অসি হন্না হন্না ঙাঙনদুনা লাক্লবনি। অদুবু মসিদা থেংনরিবা অৱাবা অসি ইশু অমদা বন্দ ব্লোকেদ তৌবা ময়াম অসিনা রিসোর্ছ মোবিলাইজেসন অসি লাক্তবা অসিনি।

অমরোমদা হান্না প্লানিং কম্মিসন্না ১৩ শুবা অমসুং ১৪ শুবা ফাইনান্স কম্মিসন এৱার্দতা পীরম্বা শেনফমশিং অমসুং স্পিসিয়েল কেটেগোরি ষ্টেট অসি লৌথোকখ্রে। মসিনা ষ্টেট অসিদা অৱাবা কয়া লৈরিবনি।

এস পি এদা লুপা ক্রোর ৪৫০, এস সি এদা লুপা ক্রোর ৮০০, এন সি এদা লুপা ক্রোর ৯০০ য়াওনা চাউরবা শেনফম অমা স্পিসিয়েল কেটেগোরি ষ্টেট ওইরিঙৈদা পীরম্বনি। মসিদদা লুপা ক্রোর ২১০০ খরা হেন্না

... মখা লমায় ৫দা

# বি বি শর্ম্মগী য়ুমদা বোম পোকখায়খ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ২৩ঃ ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৫ রোম তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী মনুং চনবা উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়দা লৈবা ওল ইন্দিয়া রেডিও রিজনেল নিয়ুজ য়ুনিটকী জোইন্ট দাইরেক্তর ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথারপা বর্ম্মচারি ময়ুম বি বি শর্ম্মা (৬৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা ধনঞ্জয়গী য়ুমগী গেট মনুংদা মশক খঙদবশিংনা ফিট তৌদুনা থম্লম্বা আই ই দি বোম অমা পোখায়খ্রে হায়রি।

বোম পোখায়বা অদুদা মীওই অমতা অশোক অপন য়াওখিদে অদুবু য়ুমগী গেটকী মফম কয়াদা বোম মচেৎনা পানবদগী অকায় অতোই চাউনা থোকখি। থবক্তগী পোথারবা বি বি শর্ম্মগী য়ুমদা



শকখঙদবশিংনা বোম পোখায়হল্লম্বা মতম অদুদা মহাক মশা য়ুমদা লৈখিদে। কনানা করি মরমগীদমক বোম অদু পোখায়হনবনো হায়বগী পাউ প্রেসনা চপ চানা ফংবা ঙমদ্রি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা বি বি শর্ম্মনা ফোঙদোরকপদা মঙোন্দা কনাগুম্বা লূপ অমতনা দিমাঙ তৌবা অমদি কিহল্লকপা লৈতে। মরম চাদনা য়ুমদা বোম পোখায়হনবা অসি কনানা তৌবনো হায়বসু শেংদোকপিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

উরিপোক য়াম্বেম লৈকায় মৈরা পায়বী নুপী লূপকী সেক্রেটরী মোমোননা করি মরমগীদমক য়ুমগী গেট মনুংদা বোম পোখায়হল্লিবনো মতম অদুদা মফম অদুদা মী লৈরম্লবদি অশোক অপন অমদি অশি অনা নঙলমগনি। থৌদোকসি হকচিন্না কন্দেম তৌই। কনানা তৌবনো হায়বদু অথুবা মতমদা শেংদোকপিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

বোম পোখায়খ্রবা মতুং ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী এস পি না লূচিংবা পুলিস টিম অমা চংশিন্দুনা য়েংশিনখ্রে।

### গ্যাস হুরানবা পুলিসতা শিন্নখ্রে

ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ২৩ঃ গ্যাস সিলিন্দর হুরান্দুনা পূননবা হোৎনরম্বা মীওই অমা ফারবা মতুং পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

পুলিসতা শিন্নখ্রবা মীওই অদু উরিপোক তৌরাংবম লৈকায়দগী এম রাজেস কৌই।

পাউ অসিনা হায়, রাজেসনা ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা ইম্ফালগী মসজিৎ রোডতা লৈবা গ্রোসরিগী দুকান অমদগী গ্যাস সিলিন্দর অমা হুরান্দুনা পুননবা হোৎনরম্বদগী দুকান অদুগী মপু এমদি বোবি (২৭) কী লোইনবীনা উরক্কুনা লাউরকপদগী ময়াম্না রাজেস ফাখিবনি হায়রি।

দুকান মপু বোবিনা ফোঙদো–রকখিবদা মমাঙদা মহাক্কী দুকানদগী গ্যাস সিলিন্দর হুরানখিবা লৈরে হায়রি।

# ইলেক্ট্রিসিটিগী খুদোংচাদবনা রিজার্বর কম্মিসন তৌদবনিঃ হেমোচন্দ্র

এসএনএস

ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ২৩ ঃ ইলেক্ট্রিসিটিগী খুদোংচাদবা অমা লৈবনা শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জর লৈকায়দা লৈবিরা ৱাতর রিজার্বর অসি কম্মিসন তৌদনা লৈবনি। এম এস পি দি সি এলগী জেনরেল মেনেজর অমদি পি ঐচ ই দিপার্টমেন্টগী মীওইশিংগা ৱান্নিরে য়াম্না অথুবা মতমদা থবক হৌনবা হোৎনরি হায়না পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়ারিং মিনিষ্টর আই হেমোচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাহং–পাউখুম

ঙসি চথখিবা এসেমব্লি মীফমগী ৱাহং পাউখুমগী শরুক্তা আর কে ইমো, এম এল এনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুমদা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়বদা নেপ্রা মেঞ্জর অমদি ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকাইদা শেমগৎপা ৱাতর রিজার্বর থবক শুবা লোইরে। ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকাইদা লৈবা রিজার্বর অসি শঙ্গাদ্রবসু মীয়ামগী য়েংলগা চহীসিগী জনুৱারী থাদগী থবক হৌহনখ্রে। নেপ্রা মেঞ্জরগী রিজার্বর অসিদি থবক তৌবা হৌবা ঙমদনা লৈরি।

নেপ্রা মেঞ্জরগী রিজার্বর অসি থবক তৌবা য়ানবা মথৌ তাবা ইলেকত্রিক পৱারগী চাং অদু য়ৌনা লৈত্রি। মথৌ তারিবা ইলেকত্রিসি পৱারগী চাং অসি য়ৌনবা এম এস পি দি সি এল অমদি দিপার্টমেন্টগী ইঞ্জিনিয়ার অমদি টেক্নিকেল এক্সপার্টশিংগা ৱারী শান্নবা লৈখ্রে। খুৎলায় অদু থম্লনবা হোৎনরগনি। এসেমব্লি মীফমসু চথরিবা মনুংসিদা অশংবা মতম অমা য়েংলগা পুন্না য়েংশিনমিন্নসি হায়খি।

টি ঐচ শ্যামকুমার, এম এল না হাংলকপা ৱাহংগী পাউখুমদা লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্টগী মিনিষ্টরসু ওইরিবা আই হেমোচন্দ্রনা হায়, মণিপুরদা লেবর দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা থবকশিংদি ৱার্করশিংগী নত্রগা ইমপ্লোয়রশিংগী

... মখা লমায় ৫দা

### হৈরোক্তা ষ্টাফ ক্বার্টর শাররোই

রমসাগী মখাদা রেসিদেন্সিয়েল ষ্টাফ ক্বার্টর হৈরোক্তা শাফম ফংদবনা শাররোই হায়না এদুকেসন মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা এসেমব্লিগী হাওসতা ফোংদোকখ্রে।

ঙসি চথখিবা এসেমব্লিগী ৱাহং পাউখুমগী সেসনদা কে ঐচ জয়কিষন সিংহ, এম এল এনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হায়, রমসাগী মখাদা শাগদবা রেসিদেন্সিয়েল ষ্টাফ ক্বার্টর ৭৪গী মনুংদা ৪৪ শাবা লোইখ্রে, ৩০ অমা লোইশিনদ্রি। ক্বার্টর শাবা লোইশিন্দবগী মরমদি নন–ফাইনেলাইজেসন ওফ সাইট, চেঞ্জ ওফ স্পিসিফিকেসনস অমদি দিজাইন ইন রেস্পেক ওফ রিমোট এন্দ ইনএকসেসিবল সাইটসনচিংবনি।

মিনিষ্টরনা পীখিবা পাউখুমদুগী সপ্লিমেন্টরি ওইনা এম এল এনা ফোংদোকখিবদা সাইট ফাইনেলাইজ তৌবা ঙমদ্রি হায়বসি পুক্লিং ইন্টরেষ্ট লৈতে হায়বনি। স্পিসিয়ালাইজেসন অসি তোইনা হোংবা য়াব্রা। হৈরোক্কি স্কুলগী ক্বার্টর শাদনা লৈবসি শাফম লৈতদনা তৌবনি হায়খি।

কে ঐচ জয়কিষনন্না হংবা অতোপ্পা ৱাহংগী পাউখুমদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর কে ঐচ রতনকুমারনা হায়, ষ্টেট ফন্দগী নেস্নেল হায়ৱেদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথবা লৈ। নেস্নেল হায়ৱেগী শরুক অমা ওইরিবা লিলোংদগী ৱাইথৌ ফাওবগী শরুক অসি লম্বী অসি পি দব্লিউ দিনা লম্বী পাকথোকপগা মরি লৈননা লৈবাক থোনবগী থবক হৌদ্রি। লম্বী অসি পিকপনা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং য়াম্না ৱাংবনা লনাই ওইনা লম মপুশিংনা থোনজবনি হায়খি। নেস্নেল হায়ৱেদা ষ্টেট ফন্দদগী শিজিন্নদুনা ইং ২০১২দগী পায়খৎখিবা থবক পুম্বা খংহনখি।

### এনএসএফকী মথক্তা এক্সন লৌসি

লমদম অসিদা জাতি কাঙলুপশিংগী মরক্তা ইরাং শাগৎনবা হোৎনবগীদমক নাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এন এস এফ)কী মথক্তা এক্সন লৌসি হায়না এম এল এ আর কে ইমোনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাগী জেরো অৱারগী মতমদা ফোঙদোকখ্রে।

এম এল এ আর কে ইমোনা হায়, নাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন্না মখোয়গী দাবি খরা য়াওবা মেমোরেন্দ অমা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা ফেব্রুৱারি ১৬তা পিশিনখি। মদুগী মেমোরেন্দম অদুদা য়াওরিবা দিমান্দশিং ফেব্রুৱারি ২৩ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্রবদি ফেব্রুৱারি ২৪গী অয়ুক পুং ৬ তগী মীতৈশিংনা মপু ওইবা গারীশিং নাগা তাবা লম ফাওদুনা চৎপা য়ারোই হায়না ফোঙদোরকপা ৱাফম অসি গভর্নমেন্টনা হকচিন্না লৌফম থোকই।

মখোয়গী মথক্তা লমদম অসিদা জাতি কাঙলূপ মশেল মরক্তা উংখৎনহন্নবা চথরকপা থৌওং অসিগীদমক আইনগী ওইবা এক্সন লৌসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# পুলিসনা হোটেলদা খাঙ ওৎলম্বসু থেংনৈ ঃ ইবোমচা

এসএনএস

ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ২৩ ঃ লম্বীগী এক্সিদেন্টনা মরম ওইদুনা মীশি মীনা থোকপগী মতাংদা গভর্নমেন্টগী মিৎয়েং চিংশিন্দুনা ক্বাকৈথেল অমদি হোদাম লৈরক মচিনদা ত্রাফিক আইলেন্দ থম্নবা এল ইবোমচা সিংহ, এম এল এনা কোল্লিং এটেন্সন পুখৎপদা পুলিসনা হোটেল মনুংদা খাঙ ওৎলম্বসু থেংনৈ হায়বা ৱাফম ঙসি এসেমব্লিদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চথখিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীফমদা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টরগী পুক্লিং চিংশিনবা কোল্লিং এটেন্সন অদু পুখৎলদুনা হায়, ইম্ফাল টিদিম লম্বী অসি পাকথোকপা অমদি লম্বী পরিং অসিগী কৈশাম্পাৎতগী ক্বাকৈথেল ফাওবগী মরক্তা লম্বী লানফম হোদাম লৈরক মচিন অমদি ক্বাকৈথেল মপাদা লৈ। লম্বী পরিং অসিদা লম্বীগী এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলে। মীশি মীনা ফাওবা য়াওরে।

শাংখ্রবা লম্বী পরিংগী লম্বী লাম্থোকফম ওইরিবা মফমশিংদা ত্রাফিক আইলেন্দ থমদে। ক্বাকৈথেল মপাদদি ত্রাফিক আইলেন্দ মচা অমা ওইনা লৈবনা ত্রাফিক্কি মীওই লেপতুনা লৈবা থেংনদে। থম্লিবা আইলেন্দশিং অদুদা ত্রাফিকমেন লেপ্তুনা ত্রাফিক মেনেজ তৌবদা গারিনা থেংজিল্লকদ্রা হায়বগী অকিবা লৈ হায়না ফোংদোকপসু লৈ।

ক্বাকৈথেলদা থোকখিবা লম্বীগী এক্সিদেন্টদা মীশি মীনা য়াওখিবদু ত্রাফিক পুলিস অমদি পুলিসনা নিংথিনা মথৌ পাঙথোক্কুনা লৈরম্লবদি থোক্লমদবসু য়াই। ত্রাফিক মেনেজমেন্ট নিংথিনা তৌনবা মেনপাৱারগী অৱাৎপা লৈ হায়বদি য়াই। পুলিস

... মখা লমায় ৫দা

For advertisement please contact: #8731815660, e-mail: sanaleibak.ads@gmail.com, Circulation helpline: # 8119919501